

MANIPUR
District Map
ASSAM
SENAPATI
Senapati
Ukhrul
UKHRUL
Tamenglong
TAMENGLONG
IMPHAL EAST
IMPHAL
IMPHAL WEST
IMPHAL WEST
Bishnupur
BISHNUPUR
Thoubal
THOUBAL
CHANDEL
Chandel
Churachandpur
CHURACHANDPUR
MYANMAR
INDIA
MIZORAM
Map not to Scale
Copyright © 2008 Compare Infobase Limited
LEGEND
International Boundary
State Boundary
District Boundary
State Headquarter
District Headquarter

# ‘‘মখোয় অসিদি লোয়শিনগদবনি’’

## মণিপুরদা হনবা লৈব্রবা হিংশা অমসুং তৌনিংবতা তৌবা য়াহনবা

শন্নপ্পা ৱারোল ঃ

> **ঐখোয়গী ইচাশিংসি য়োকপদা মতম য়াম্না চংখ্রবজাৎনি। মখোয়না চাউরক্লগা নোংমৈনা কাপ-কাপ্তুনা হাৎতোকপসিদি য়ানিংদে। মীরেনশঙদা চৎতুনা মখোয়বু থিবদো মখা তানা পামদে।**
>
> - য়ুম্লেম্বম মেমা, মণিপুরী নুপী এক্টিবিষ্ট

নুমিদাং অমা নুপী অমা ময়ুমদগী ফারগা অথোরিতিশিংনা মাগী ইমুংগী মীশিংদা সহি তৌরবা চে চাং পীরমখি। নোঙাল্লগা নুপীদুগী নোংমৈ মরুনা পাল্লবা অশিবা হকচাং ময়ুমদগী কিলোমিটর ৪ রোম লাপ্পা তারম্বা খুঞ্জাশিংনা থেংনখি। নুপীদুগী মীশি মতুংদা পাক শন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লরকখি। লৈবাক্কী ফম্নাইবশিংনা অচেৎপা থাজবা পীরবসু, চহি ৪ মতুং ঙসিফাওবা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীদনা লৈরি।

ৱারিসি ইন্দিয়াগী মণিপুর ষ্টেত্তা লৈবা মশাগী চহি ৩২ শুরবী থাংজম মনোরমা দেবীগীনি। মহাকপু লালহৌলুপ অমগা মরি লৈনৈ হায়দুনা আসাম রাইফলসনা কুম ২০০৪ জুলাই ১১ দা ফাখি। লাম্মীশিংনা অহিং নোংয়াই মতুং বামোন কম্পুদা লৈবা মনোরমাগী য়ুমদা রেয়্ইদ তৌখি অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিং মপান্দা লৈহল্লগা মহাকপু ইমুংদা ৱাহং পাউহং তৌখি। মখোয়না সহি তৌরবা এরেষ্ট মেমো অমা পীরমখি, মদু ফাখ্রগা মাঙখ্রে হায়দননবা ওফিসিয়েল ওইবা নিয়ম চৎথবনি। মতুংদা মখোয়না নুপীদু পুরগা চৎখি। নুপীদুগী হকচাংদু ময়ুমগী মনাক নকপা খুল অমগী ময়াদা তারমখি। মাগী হকচাংগী খ্বাং মখাদগী নোংমৈ মরু কাপশিনলম্লনা মহাকপু নমজা নমথেক্লখ্রবা তুংদা খুদম চাংদম অমত্তা ফংদনবা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা হাৎলম্বনি চিংনরকখি।

মণিপুর ষ্টেত্তা হৌখিবা চহি ৫০ রোমসি লালহৌবা নমথবগী থৌরাংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওইবগী হক খোঙ্গাউনবগী থৌওং কয়া চৎথরক্লি। নিংতম্বা তানলিবা লালহৌবশিংনসু মীওইবগী হকশিং খোঙ্গাউনবগী থৌদোক লৈখ্রে। পুলিসকী মতুংইন্না কুম ১৯৯০ দগী হৌজিক ফাউবদা মুক্লবগী ফিভমসিনা মরম ওইরগা মীচম লিশিং ৩ লোম শিখ্রে। য়ামদ্রবদা লালহৌবা ১,৩০০ অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী মীওই লিশিং ১ রোম শিখ্রে। ওফিসিয়েল ওইদবা পাউনদি কুম ১৯৫০ গী পরিংদগী হৌরকখিবা লালহৌদা মীওই লিশিং ২০ লোম শিখ্রে। মণিপুর হায়বসি মীওই মিল্লিয়ন ২ রোমদং খুন্দাবা ময়োনলমদগী থাপ্পা লৈবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেতনি। লালহৌবশিংনা চথরকখিবা

শাথিবা লান্দাগী থৌদোকশিং নত্রগদি ষ্টেতসিগী মরমদা লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাউ ইতা তান্নদে, নেস্লেল পাউচেশিংদসু ফোংনদে।

মনোরমা মীহাৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সকী খুৎ য়াওই হায়বা ময়েক শেংনা খংনরকপদগীদি মেদিয়ানা মিৎয়েং চংলকখি। মণিপুরদা পেন্দবগী খোংজং হৌরকখি। লৈবাকসিগী অমসুং মালেমগী ওইবা মীওইবগী হক্কীদমক লৈবা লুপশিংনা মীহাৎতু অথুবা মতমদা থিজিন্দুনা মরাল লৈবশিংবু চৈরাক পীনবা তকশিন্নখি। মমাংদা থোকখিবা থৌদোকশিংগুম্না, মীহাৎতুদা চেন্নবা লাম্মীশিংদা সরকারনা করিগুম্বা তৌবা ঙমলোই খঙবদগী মণিপুরীশিংনা চয়োল কয়া চুপ্পা লন্মী শোরোক্তা পেন্দবা ফোংনখি। মহৈরোই, উকিল, ললোনবা, নুপীশিং, জর্নেলিষ্ট অমসুং হক্কীদমক লৈবা মীওইশিংনা নুংতিগী ওইনা খোংজং কয়া পাংথোক্তুনা অচুমবা ৱায়েল চৎথননবা তকশিনখি। য়ানিংদবা খোংজংদা মীওই অমা মশা মথন্তা মৈ থাদুনা শিজখি, অতৈ মীওই কয়াসু মথন্তা শিজননবা থৌরাংখি।



আসাম রাইফলসকী মায়কৈদগীদি মনোরমা হায়রিবা নুপীসি নাম্বোক্কে তৌবদা কাপ্পনি মদুদা শিবনি হায়খি। মতুং তারকপা মখোয়গী এফিদেভিটশিংদা চেন্নরিবা লান্মীশিং অদুনা, মনোরমাবু লালহৌবা অমগী লৈফম তাকহন্নবা পুবদা নাম্বোক্লবা হোৎনখি হায়না পনখি। মসিদি ওইরোইদবা ৱানি; খুৎলাই পায়দবা, মখুৎতা হেন্দকফ চল্লবা, ফনেক শেৎপনা খোংকাপ লাউনা থাংবফাউ য়ারোইদবা ফিভম অদুদা নুপী অমনা মতৌ করম্না মাবু খুৎলায় পায়দুনা ঙাক্লবশিংগী মখুৎতগী নাম্বোক্লবা হোৎনগদৌরীবা ? করিগুম্না মহাক্না চেনগে তৌরবসু, লান্মীশিংনা মাবু ফাদনা কাপ্পগা হাৎপসি




মরম চাদে। আইনগী মতুংইন্না; মনোরমাবু ফারবা মতুং আসাম রাইফলসকী মীওইশিংনা পুলিসকী মখুৎতা শিন্নখিদবা করিগীনো হায়বসি পাউখুম ফংদবা ৱাহং ওইরি। নিয়মগী মতুংইন্না, অহিংদা মহাকপু ফাবা মতমদা নুপী ওফিসিয়েল অমত্তা পুরকখিদবসি করিগীনো।

লাল্মীশিংনা মনোরমাবু অসুম্না হেক্তা ফাবা ঙমখিৱবসি মখোয়দা ভারতকী আর্মদ ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱারস) এক্ট (অফসপা) ১৯৫৮ কৌবা আইন অমনা অহেনবা শক্তি পীবননি। আইন অসিনা মুক্লবগী ফিভম লৈবা লৈবাক্কী মফমশিংদা খুৎলাই পায়বা লাম্মী থাজিন্দুনা মীফা-মীপুন, থি-হুম্বা, নোংমৈনা কাপ্তুনা মী হাৎপা য়াবগী শক্তি হেন্না পীরি। চহি ৫০ শুরবা আইনসিনা, সেক্যুরিতি ফোর্সশিংবু ৱায়েল চৈরাক্কী ৱাংমদা থমই; মদুমক্লা মনোরমাগী অসিগুম্বা মীহাৎ মীপুনদা চেন্নবা আসাম রাইফলসকী লাল্মীশিং লোয়ননা জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমদি ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদা লৈবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংবু সিভিল জজ অমগী কোর্টতা মীহাৎপগী অমসুং অতৈ মরালগী ৱায়েল বিচার চথ্থগদবদগী কল্হোকলি। চুঙ্গোয়গুম্না ঙাকলি।


মণিপুরীশিংনা অফসপা মুথৎননবা লিশাং শিংনা খোংজং চথ্থদুনা লাকখি। মসিবু মুথৎনবা দাবী তৌদুনা হ্যুমেন রাইতস এক্টিবিষ্ট ইরোম চনু শর্মিলানা চহি ৮ চরা হেনবগী খোংজং চৎথরক্লি। মাগী খোংজংসি কুম ২০০২ গী নবেম্বর ২ দা আসাম রাইফলসনা মীচম ৯ কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক্তগী চৎথরকপনি। মহাক জুদিসিয়েল কষ্টদিদা, নমদুনা মনাতোন্দা মহি মনাই কাপশিল্লগা থল্লি।

মনোরমাগী মীশি মতুংদা, লুপ ৩২ না অপুনবা লুপ কৌবা নেতৱার্ক অমা শেমদুনা অফসপা লৌথোক্লবা খোংজং চংশিনখি। খ্বাইদগী তুজুংনিঙাই ওইবদি মণিপুরী মৈরা পাইবী নুপীশিংনা কুম ২০০৪ গী জুলাই ১৫ দা ষ্টেতকী কোনুং ইম্ফালময়োলদা লৈবা আসাম রাইফলসকি কেম্প মমাংদা মফি লৌথোক্তুনা পেন্দবা ফোংদোকখিবদুনি। মখোয়না মশাদা ''ইন্দিয়ন আর্মি রেপ অজ'' হায়বা বেন্নরনা য়োমখি।

তঙায়ফদনা করিগুম্বা খরা তৌদবা য়াদবদগী মণিপুর সরকারনা থবক্তগী পোত্থারবা দিষ্ট্রিক জজ সি উপেন্দ্র সিংহদা মনোরমা মীহাৎকী জুদিসিয়েল ইনক্বারি চৎথননবা থৌদা শিন্নখি। জজ উপেন্দ্র সিংহনা মাগী রিপোর্ত কুম ২০০৪ গী নবেম্বরদা পীখৎখি। মদু চহি ৪ মপুং ফাখ্রবসু, রিপোর্ত অদুনা করি হায়রীবগে হায়বা মীয়ামদা খঙহনদ্রি। কোর্তকী মথৌ মঙম অদুম চৎথরি, অদুবু মরি লৈনবা থবক ওইনদি অমত্তা পায়খৎলকত্রি।




মরক্তুদা ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা মনোরমা মীহাৎকী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগনি অমসুং অফসপা অমুক হন্না য়েংশিনগনি হায়না থাজবা ফোংদোকখি। কুম ২০০৪ গী নবেম্বর থাদা সুপ্রিম কোর্তকী থবক পোত্থারবা জজ বি পি জিবন রেদ্দিনা লুচিংবা কমিতি অমা শেমখি। মদুগী রিপোর্ত কুম ২০০৫ গী জুনদা পীখৎখি। জিবন রেদ্দি কমিতিগী রিপোর্ত মীয়ামদা ফোংদোকখিদ্রবসু মদু য়াউবা ৱারোল লোন্না হায়দোক্লরকপদগী কমিতিদুনা অফসপা চৎনহনগনু হায়না রিকমেন্দ তৌরম্লে হায়বা খঙনরকখি। রিপোর্টতু য়ুনিয়ন কেবিনেতনা খন্নবা ঙাইদুনা লৈরি।



মনোরমাগী মতাংদা আসাম রাইফলসনা মনুংগী ওইবা ইনক্বারি অমা চৎথখি। লাম্মী, পেরামিতিরীশিংনা মখোয়গী মনুংদা চৎথবা ইনক্বারিগী ফল মীয়ামদা কৈদৌঙৈদসু ফোংদোকতে, মরমদুনা মনোরমাগী মীহাৎতা আসাম রাইফলস চেন্নব্রা নত্রগা চেন্নরবদি মরাল লৈবশিং চৈরাক পীদুনা ৱারকখিব্রা হায়বসু খঙদনা লৈরি। মীয়ামগী পেন্দবা খোংজং নেমথন্নবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা কুম ২০০৪ গী জুলাই ২৮ দা চেরোল অমা থোক্নুনা কোর্ত ওফ ইনক্বারি চৎথবদা আসাম রাইফলস পার্সনেল খরদা ''অশোয়বা'' খরা থেংনখিদং পনখি।

হ্যুমেন রাইতস ৱাটচকী ইন্তরভিয়ুদা আসাম রাইফলসকী ৱাঙাংলোই অমনা কোর্ত ওফ ইনক্বারি মতুংদা করি এক্সন লৌখৎক্কনি হায়বা ঙমদে। মদুগা মরি লৈনবা মতমদুগী ওফিসিয়েলশিংদি মণিপুরদা লৈত্রে, রেকোর্দ ফংবা ঙমদ্রে হায়না খুমদোরকখি। সোমদনা মনোরমাগী ইমুং মনুংদা অচুমবা ৱায়েল ঙায়রি, মতম শাংনা ঙায়খিনি। রাজনিতি লুচিংবশিং, সরকারগী ওফিসিয়েলশিংসু লনাইগী ওইনদি মনোরমা মীহাৎ আইনগী ৱাংমদনি হায়বা য়ারবসু, ইন্দিয়ান ষ্টেতনা হন্দকসু হক খোঙ্গাউনবা লাম্মীশিংদা দায়িত্ব পানবা ঙমদ্রি।

## সেক্যুরিতি ফোর্সনা লেপ্তুনা চৎথরিবা অওৎ-অনৈ

মনোরমা মীহাৎ মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা হক খোঙ্গাউনবা খরা লেপ্পবগুম উনখি। অদুবু কুইদে, কুম ২০০৬ তগী ৱায়েল চৈরাক্কী শক্তি শুপচিল্লগা মী হাৎপা, ওৎ-নৈবা, হক খোঙ্গাউনবগী থৌওং লেপ্তুনা চৎথরক্লি। ইম্ফালদা য়ুম্ফম ওইবা - হ্যুমেন রাইতস এলার্তকী মতুংইন্না ২০০৬ তা সেক্যুরিতি ফোর্সকী এক্সত্রা জুদিসিয়েল মীহাৎতা মীচম ১৭ শিখি। ২০০৭ তা মীহাৎ ১৭ কী দোক্যুমেন্তেসন তৌখি। ২০০৮ গী জুলাই থা ফাউবদা মীহাৎ ২৩ চৎথখি।

রিপোর্তসি পুথোক্লবগীদমক হ্যুমেন রাইতস ৱাটচনা ২০০৬ তগী সেক্যুরিতিনা চৎথরকপা এক্সত্রা জুদিসিয়েল মীহাৎ কয়ামুক থিজিনখি। কুম ২০০৭ কী আগষ্ট ২৬ তা মুহামদ অয়ুব খানগা অতোপ্পা মীওই ৬ কা ভেন তোংদুনা লাকপদা উখ্রুল দ্রিষ্ট্রিক্টকী গ্বালতাবিদা ১৯ শুবা আসাম রাইফলসনা খামখি। মদু নুংতিগী চৎথবা চ্যেকনি। ভেনদা তোংলকখিবা, চেক্কী মিষ্ট্রি ওইবা অয়ুব খান্না য়াল্লবা শেনফম পুরকপা এ আরনা থেংনখি। মদু মাগী থবক শুবা মীওইশিংদা পীনবনি হায়না খুমখি। লাম্মীনা মখোয়বু থাদোকউ য়াদনা লিতানগী আসাম রাইফলস কেম্পতা ভেনগা কোন্ননা পুখি। অয়ুব খান ফাজিলহৌরগা মাগা লাকমিন্নবশিংদি থাদোরকখি। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা অয়ুব খান ফাখ্রে তাবদগী এ আর কেম্পতা লাকখি। অদুবু মখোয় মফমদুদা চংহনখিদে। অয়ুব খানগী মনাউ নুপানা লিতান পুলিসতা অয়ুব খান মাঙখ্রে, ১৯ শুবা এ আরনা ফাখ্রে হায়না ৱাকৎখি।

কুম ২০০৭ কী আগষ্ট ৩০ দা লিতান পুলিসনা অয়ুব খানগী ইমুংদা পাউ পীদুনা আসাম রাইফলসনা মখোয়গা খুৎ থোক্লুবদা মীওই অমা শিরে হায়রকই। অশিবদু মখোয়গী মাঙখ্রবা মীওইদুরা য়েংলু লাউ হায়না খঙহনলকখি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিং চৎতুনা য়েংলুবদা অয়ুব খান ওইরমখি। আসাম রাইফলসনা থোকপা চেরোলদা লালহৌবনি চিংনবা অমা কাপ্লবদা শিরে, মঙোন্দগী খুৎশু খুৎলাই ফংলে হায়খি। অয়ুব খানগী মপা, মুহামদ করিমউদ্দিন্না হ্যুমেন রাইতস ৱাটচতা ফোংদোরকপদা আসাম রাইফলস মচিন থিবনি হায়খি ঃ

মখোয়না ফারবা, মখুৎ চল্লবা মীওই অমগা করম্না নোংমৈ কাপ্লগদৌরিবনো? ইচাবু ফাখি হায়বা মমিৎ মক্লা উহৌবা সাক্ষি কয়া লৈ। আসাম রাইফলসনা ইচাবু লালহৌবনি চিংনদুনা ফাবা কায়দে। অদুবু মখোয়দি মাগী শেলদুদা কল্লকপনি, মাবু কনানো হায়বা অশেংবা খঙনিংবা নত্তে। মদুনা মাবু হাৎপনি। মণিপুরদা আর্মীগী মথক্তা ৱা ঙাংবীনবা কনা লৈতে হায়বা মখোয়না খঙই।



## পুলিসকি মীওৎ-মীনৈ ঃ

লাম্মীগী লিচৎনা মথৌ শঙবগুম মণিপুর ষ্টেত পুলিসনা লাম্মীগী মতৌ তল্লকপগুম তৌরি। লাম্মী, পেরামিলিতরী ফোর্সশিংনা মীওৎ-মীনৈ চথবা মওংগা চপ মাননা পুলিসনসু চহি খরাসিগী মনুংদা কা হেনবা কয়া চৎথরী। হ্যুমেন রাইতস ৱাটচনা ইকুই কুইদনা দোকুমেন্ট তৌখিবা থৌদোক কয়াদা মণিপুর পুলিসকী মীওইশিং চেন্নরম্মী। মণিপুর ষ্টেত পুলিস লুচিংবা যুম্নাম জোয়কুমারনা হ্যুমেন রাইতস ৱাটচতা হায়, ''ঐগী মীশিংদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা থৌদৌ চথদনবা পাউতাক পি। অদুগুম্না অমত্তা থোকপসু লৈতে।'' অদুম ওইনমক মহাক্লা লালহৌবা অয়াম্বা রাজনিতি পান্দম অমগী লালহৌবদি নত্তে, নম-হাদুনা শেন খায়বনা অয়াম্বনি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায় ''ঐগী মীশিংদা মখোয়শিংসি মরু ফংনা মাঙহনগদবনি হায়। মদু নত্রবদি মসিগী লায়নাসিদগী ঐখোয়বু করিমত্তনা কনবা ঙমলোই''।

লালহৌবশিং হাৎননবা পাউজেল অসি পুলিসকী নাকোংদা চংবা মানলি। মী কয়ানা হ্যুমেন রাইতস ৱাটচতা তোয়না মণিপুরদা খ্বাইদগী তমথিনা হক খোঙ্গাউনবসি পুলিস কমান্দোনি হায়না পাউদল্লকখি। কুম ২০০৬ কী জনুৱারী ৩০ দা লৈতাঙ্থেম প্রেমানন্দবু ফাখ্রগা নুমিৎতুমক্তদা হাৎতোকখি হায়না মরি মতাশিংনা পাউদল্লকখি। যুম্লোন্নবা, মরুপ

মপাং, মরি মতাশিংনা এক্সন কমিতি শেমদুনা মীহাৎতুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখি। পুলিসনা খোংজং চৎথবা য়ারোই হাৎকনি তুপকনি হায়না কিহনখি। ২০০৬ কী ফেব্রুৱারী ১০ দা প্রোতেষ্ট কমিতি অদুগী লুচিংবা অনি হায়বদি পেচিময়ুম য়াইমা সিংহ অমসুং লৈমপোকপম বিলাসিনিবু মণিপুর পুলিসনা ফাখি। পেচিময়ুম য়াইমা সিংহ থা অনি কষ্টদিদা লৈখি। মহাক্না, ''য়ুমগী মীওইশিং য়াম্না পাখৎনখি। মমৈদা ঐখোয়বুদি থাদোরক্লে অদুবু খোংজং লেপকদবনি হায়বগী অয়াবা লৌহৌখি। মতুংদা খোংজং চৎথরবদি অমুক ফাজিনগনি কিহনখি।''

মমিং লৈরবা ওপোজিসন মণিপুর পীপলস পার্তি (এম পি পি) গী মেম্বর অবুজম সিদাম্বু ২০০৮ জনুৱারি ৭ তা ফাখি। কষ্টদিদা মাবু জোইন্ট ইনত্রোগেসন সেলগী মেম্বরনি হায়বা পুলিস কমান্দোশিংনা ওৎ-নৈখি হায়রি -

> ''ঐবু মিৎ খুমজিনলগা ফুবা খোংপাক্লা কাউরগা ঐবু পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) গী মীওইনি হায়য়ু হায়না তকশিনলকখি। মখোয়না মায়দা ঈশিং বালতিন কয়ামুক হৈজিন্দুনা খুঁউদা খুদাংদা বুতনা নেৎথৎখি। ঐ লালহৌবা নত্তে হায়না লাউজরবসু ওৎ-নৈবদি লেপখিদে।''

অফসপাগী মখাদা মরাল লৈবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংবু ইচম চম্বা আইন্দগী কনখৎতুনা থম্বসি ফোর্মেল ওইনা ষ্টেত পুলিসশিংদদি খুদোংচাবা পীদে। অদুবু পুলিস কমান্দোশিংনা ওৎ-নৈবা, শাশিন্নবা মীহাৎ য়াউনা তমথিবা ক্রাইমশিং অদুমক চৎথৈ। এক্টিবিষ্ট অমনা হ্যুমেন রাইতস ৱাটচতা তশ্লকপদি, মণিপুরদা অফসপা মতম শাংনা চৎনহনবগী ফত্তবা ফলশিং খুনাইদা ফংলি। মণিপুরগী সিবিল এদমিনিষ্ট্রেসন্দা শেঞ্জা-থুমজা য়াম্না লৈরিবসি দিকেদ কয়া মণিপুরদা অফসপা চলায়দুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীদনা কনখৎপগী চৎনবী অমা শাগৎলকপননি।

## খুৎলায় পায়বা লুপশিং

ইন্দিয়ান ওফিসিয়েল, মণিপুরী কয়ামুক্লা য়ু জি (অন্দরগ্রাউন্দ) হায়না খঙনবা লালহৌলুপশিংনসু হক শাথিনা খোঙ্গাউনৈ হায়রি। লুপশিং খরনা মণিপুরী খুনাইদা অচৌবা মফম কন্দুনা লৈরি। মীচমশিংনসু লুপ অমগা মরি থম্নবা হোৎনদুনা অতৈ লুপশিংদগী মশা ঙাকথোক্লবা হোৎনৈ। লুপ কয়ানা নমদুনা অথিংবা থম্না কয়াসু য়াউরি। খুদম ওইনা, তেলিভিজন চেনেল খরা থিংজিনবা; নুপীশিংবু নোংচুপ লমগী ফিজেৎ শেৎপা থিংবা; দ্রগ, হিদাক মনা শিজিন্নবা, য়ু থকপা য়োনবা থিংবা চথুরি। লালহৌলুপ খরনা মশিং য়ামদবা অপীকপা য়েলহৌমী কাংলুপশিংদা লান্দা চৎথৈ। ২০০৮ গী মার্চতা লালহৌবশিংনা ভারতকি অতৈ ষ্টেটতগী লাকপা শিন্নী ১৪ হাৎলগা অতৈবুসু চৎখিনবা ৱার্নিং তৌবা চে থনমখি। ২০০৬ কী জনুৱারীদা য়ুনাইতেদ নেসনেল লীবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) অমসুং কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্তি (কে সি পী) গী খুৎলাই পায়বা কাদরশিংনা মণিপুরগী চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তা মার লৈশাবী ২১ নমজা নমথেক্লখি হায়না মরাল শিরি। লালহৌবশিংনা লেন্দমাইন, বোম তোয়না শিজিন্নবা, রাজনিতিগী মীহাৎ চৎথবা, লোন্না পাউ পীবা মী নত্রগা য়েক্লবগী মীচংদা য়াউখি খনবা মীওইশিংদা লান্দারি।

মণিপুরগী মীয়াম্না খ্বাইদগী য়ানিংদবসি নমদুনা শেন খায়বগী চৎনবীনি। লালহৌবশিংগী শেনগী দিমান্দদগী মীয়াম্বু ঙাকপী-শেনবীনবা লৈতে, তশেংবদি সরকারগী ওফিসেয়েল কয়াসু লালহৌলুপশিংদা শেনখায় পীরি। ইকুই কুইদনা লালহৌবশিংনা অঙাং ফারগা লাম্মী ওইহন্নবা হোৎনবগী ৱাথোক লৈখি। ২০০৮ গী জুন থাদগী জুলাই ফাউবগী স্কুল তম্লিবা অঙাং ২৮ থিবা খঙদনা লৈখি। মদুগী মরমদা পাক শন্না পেন্দবা ফোংদোক্লরকখি। লালহৌলুপ পিপলস'




রিবোলুসনরি পার্তি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী ফেক্সন অমনা মাঙখিবা অঙাংশিংদু মখোয়না রিক্রুইত তৌবনি হায়না ফোংদোরকখি ।

## তৌনিংবতা তৌবা য়াহনবা

লালহৌবশিংনা চৎথবা হিংশা লেপহন্নবা আইনবু মপাঙ্গল কলহনবা চুম্মী হায়বসিদা মণিপুরী এক্তিবিষ্টশিংনা য়ানিংদবা লৈতে । মীওই খরনা য়ু জি শিং থেংননবা লাম্মী থম্লীংঙি, অতোপ্পা খরনা লাম্মী লৌথোকখিবা পাম্মী । অদুমকপু মীওই খুদিংমক্না অফসপা লৌথোকপা পাম্মী মরমদি আইন অসিনা শক্তি লান্না শিজিন্নবা য়াহনলি । হেন্না মরু ওইরিবদি, মণিপুরীশিংনা মরাল কোকপীবা নত্রগা চৈরাক পীদনা তোকপগী চৎনবী লৈহন্দবা পাম্মী । মনোরমা মীহাৎতা চেন্নবশিং চৈরাক পীবা ঙমদবনা ৱায়েল পথাপ্তা থাজবা ঙল্লকতে । মদুনা সেক্যুরিতি ওফিসিয়েলশিংনা আইন মৱা লৌদবদা মথৌ শঙগী । মখোয়না মী হাৎলবসু চৈরাক ফংলোই হায়না থাজে । সরকারগী ওফিসিয়েল অমনা হ্যুমেন রাইতস ৱাটচতা হায় : ''ক্রিমিনেল খরদি হাৎপা য়াউই, মীচম্মুদি হাৎতে'' । ৱাফমসিনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা জজ, জুরি অমসুং শঙলিংবগী পুংশুপ শুপ্পা শক্তি পায়রি হায়বদু তাক্লি ।

চহি কয়ামুকসি মণিপুরদা অৱাং নোংপোক লমদমদা সরকারগী ফোর্সশিংদা নত্রগা মখোয়গী থৌওংদা নিংথিনা য়েংশিন্দবদগী চাউনা অশোয়বা ৱাখল্লোন অমা থোরকই । লমদমসিদা চৎনবা থৌরাংগা মান্নবা কয়া শেমদুনা ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংদা লালহৌবগী ইরাং নমথনবা হোৎনরি । মীওই খরনদি থৌরাংসিনা তোখায় তানিংবশিংদা মখোয় অরানবনি, অচুম্বা ৱায়েলদগী নাহোকপা ঙল্লোই হায়বা উৎপা ঙমগনি হায়না লৌই । অদুমকপু মালেমগী

মনুংদা খ্বাইদগী পাক শন্না মীয়ামগী লৈঙাক (দেমোক্রেসি) চৎলি হায়বা লৈবাকসিগী সেক্যুরিতি ফোর্স মরক্তা খন্নবা ৱাখল মতাদি - মী অমগী মরালগীদমক ইভিদেন্স খোমজিনববুদি চিংনবশিং থোক হাৎতোকপনা লায় হায়বসিনি। মখোয় খরানা শেনগী নত্রগা ফম কাননবগী মী হাৎলি। অদুগুম্বা মীওইশিংবু চৈরাক্কী মহুৎতা মনা পীরি।

মীওইবগী হক ঙাক-শেনগনি হায়না ৱাশকলিবা ভারত সরকারনা মখোয়গী সেক্যুরিতি ফোর্সকী ওৎ-নৈবা, হক খোঙ্গাউনবগী থৌওং খঙশিন্নদনা লৈরি। হক খোঙ্গাউনবা নত্রগা মৎপা হায়বসিদি য়ামখিদ্রবা শরুক খরদংননি হায়রি। ৱাফমসি নৈনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী থৌওংসি মওং মরিল তানা শেল্লগা চৎথবনি খঙবা ঙম্মী। মরমসিনা আইন, পোলিসি, প্রাক্তিসকী মওং শেমদোকপা তাই। পনখিবা থৌওংশিং শরুক খরদংনি লৌরফাউবদা, মদুগী মরমদা থিগৎপসি তাংনা থোকই। অরানবা তৌবশিং মরাল কোকপীবা নত্রগা চৈরাক পীদবগী চৎনবী লৈরিবসি পোলিতিকেল ৱিল ৱাৎপা, মরাল লৈবশিংবু চুঙ্গোয়গুম্না ঙাক্লিবা আইনশিংনা কনখৎপদগীনি। চৎনবীসিনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তমথিবা ক্রাইমশিং চৎথরুরবসু মখোয়দা চৈরাক ফংগনি হায়বগী অকিবা লৈহন্দে।

মণিপুরীশিংনা তাল্লিবা দাবীবু ভারত সরকারনা থৌওইদবদা নত্তনা মশানা, হায়বদি সরকারনা শেমজবা কমিতিনা থিজিনবদগী ফংলকপশিং ফাওবা মৱা লৌদ্রি। মদুদা নত্তনা য়ুনাইতেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইতস লুপশিংনা রিকমেন্দ তৌবা, ফোংদোকপা ৱাফম মনাদা হাপত্রি। খুদম ওইনা, ১৯৯৭ তা য়ু এন হ্যুমেন রাইতস কমিতিনা মণিপুরদা অফসপা অসুম চৎনহনবসি ইমর্জেন্সি শক্তি হেন্না শিজিন্নবনি, হায়রিবা শক্তিদু শিজিন্নবদা ইন্তরনেসনেল কোভেনান্ট ওন সিবিল এন্দ পোলিতিকেল রাইতস (আই সি সি পী আর) গী চৎন-পথাপ ঙাক্লা চৎপ্রা হায়না মোনিতর তৌনবা খঙহনখি।

এক্সত্রা জুদিসিয়েল, সম্মরি ওফ অর্বিত্রেরি ইগজিক্যুসন্সকী য়ু এনগী অখন্নবা রাপোর্তিয়র ফিলিপ এলষ্টন্না ২০০৭ তা য়ু এন হ্যুমেন রাইতস কাউন্সিলদা পাউদমখিবদি - মণিপুর সরকারনা এক্সত্রা জুদিসিয়েল মীহাৎশিংগী মরমদা থিগৎননবা হুকুম কয়া তৌখ্রে, অদুবু মদুগী ফল অমত্তনা অচুম্বা ৱারোইশিন অমত্তা পুরকপা ঙমদ্রি। ২০০৭ তা কমিতি ওন দি ইন্তরনেসনেল কনভেনন্স ওন ইলিমিনেসন ওফ ওল ফোর্মস ওফ রেসিয়েল দিসক্রিমিনেসন্না ইন্দিয়াদা অফসপা মুথৎতুনা জিবন রেদি কমিতি রিপোর্তকী মতুং ইন্না মদুবু মীওইবগী মওংদা চৎনবা য়াবা আইন অমনা মহুৎ শিন্নবা খঙহনখি। কমিতি ওন দি কনভেন্সন ওন দি ইলিমিনেসন ওফ ওল ফোর্মস ওফ দিসক্রিমিনেসন অগেনষ্ট ৱুমেন্না ২০০৭ কী ফেব্রুৱারীদা ইন্দিয়াদা অফসপা মুথৎনবা নত্রগা শেমদোক্লবা থৌরাংশিংগী পাউ পীরক্লবা খঙহনখি অমসুং দিষ্টর্ব এরিয়াদা লাম্মীনা নুপীশিংদা চৎথবা হিংশা থিজিন্দুনা চৈরাক পীননবসু খঙহনখি।

## মরুওইবা রিকমেন্দেসনশিং

- ভারত সারকার, মণিপুর ষ্টেত সরকার অমসুং লালহৌলুপ খুদিংমক্লা মুক্লবা অমা ৱাখৈনবা হোৎনবদা মীওইবগী হকশিং ঙাক্লবা থৌরাং পায়খৎকদবনি। মালেমগী থাক্তা লৈবা মীওইবগী হকশিং, হ্যুমেনিতারিয়ন আইনশিং ঙাক্লা চৎকদবনি।
- সরকারনা শেমখিবা জীবন রেদি কমিতিগী রিকমেন্দেসন মতুংইন্না ভারত সরকারনা আর্মদ ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱারস) এক্ট, ১৯৫৮ মুথৎকদবনি।

- ⇨ ভারত সরকার অমসুং মণিপুর ষ্টেত সরকারনা মীওইবগী হক মৎপা সরকারগী ওফিসিয়েল, আর্মদ ফোর্স, পুলিস অমসুং পেরামিলিতরী মেম্বরশিংগী মরমদা থিগৎতুনা চৈরাক পীগদবনি।
- ⇨ ভারত সরকারনা কুম ২০০৪ গী থাংজম মনোরমা দেবী মীহাৎতা চেন্নবশিং আইনগী মতুংইন্না ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি।
- ⇨ খুৎলাই পায়বশিংনা মীয়ামদা লালহৌলুপ অমনা চৎথবা মীওৎ-মীনৈ লাউথোক্কুনা খঙহনগদবনি। মদুদা নত্তনা অদুগুম্বা মীওৎ-মীনৈ চৎথবশিং চৈরাক পীননবা দায়িত্ব চপচানা লৌগনি হায়বা খঙহনগদবনি।
- ⇨ খুৎলাই পায়বা লুপশিংনা অঙাংশিং ফাবা, রিক্রুইত তৌদুনা লাম্মী ওইহনবা খুদক্তগী লেপকদবনি।

## মেথোদোলোজি

কুম ২০০৮ গী অঙনবা মতমদা হ্যুমেন রাইতস ৱাটচনা মণিপুরদা ওইরিবা মীওইবগী হক্কী ফিভম থিগৎননবা চৎখি। মীওইবগী হক্কীদমক লৈবা মীশিং, উকীলগী মতেংনা ২০০৬ তগী চৎথরকখিবা মীওৎ-মীনৈ, এক্সত্রা জুদিসিয়েল মীহাৎ ১৮ গী মতাংদা থিজিনখি। মতমদুদা সরকারগী ওফিসিয়েল, লাম্মী ওফিসিয়েল, রাজনিতিৱালা, জর্নেলিষ্ট অমসুং হকশিং ঙাক্লবা চোংথোরকপা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মণিপুরদা ইন্তরভিউ ৬০ রক চৎথখি, মদুগী মখাতাবা ওইনা ২০০৮ গী আগষ্ট ফাউবা থিজিনখি।

মনোরমা মীহাৎকী মরিদা ঐখোয়না মনোরমাগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং, মাগী কেস লেপ্লা উকিল অমসুং মীহাৎতুগী মরিদা থিজিনখিবা জজ উপেন্দ্র সিংহগা উন্নদুনা ৱারী শাখি।

অৱা-অনা নংলবা নত্রগা মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অয়াম্বনা লনাই ওইনা উন্নখি। কেস খরদদি লৈকায়গী এন জি ওশিংবু লোন ফাউননবা ত্রান্সলেতর ওইহনখি। মখাতানা এক্তিবিষ্ট, মৈরা পাইবিশিংগসু পুন্না ৱা তান্নখি।

মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ওপরেত তৌবা লুপ খরগা সরকারগা ৱারী শান্নবনা, লালহৌবগী মায়োক্তা চৎথবা ওপরেসনগী চাং হেন্থৈ। মণিপুর তম্পাক্তা চৎথবা অয়াম্বা ওপরেসনশিংদি মৈতৈ অমসুং মুসলিম লুপশিং নমথনবনি। মরম অদুনা থিজিন হুমজিনবদু তম্পাক্কী লমদদা চৎথখি।

নাকল অমগী ৱা ঙাংলুবগীদমক মখোয়দা অমুক ওনশিন্দুনা লমন খুল্লকতনবা, ইন্তরভিয়ু লৌরুবা মীওই খরগী মমিং মথা, ৱারী শান্নখিবা মফম নত্রগা অকক্লবা তারিখ, থৌদোক খরদি হাপত্রে। মদু ভিক্তিমশিং অমসুং মীওইশিংবু কন্নবনি।

# রিকমেন্দেসনশিং

## ভারত সরকারদা

- সরকারনা শেমখিবা জিবন রেদি কমিতিনা রিকমেন্দ তৌবগী মতুংইন্না আর্মর্দ ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱারস) এক্ট, ১৯৫৮ লৌথোকউ।
- পুলিস, অতৈ সেক্যুরিতি ফোর্সশিংবু চৈরাক পীদন্নবা আইনগী মচাকশিং, মরু ওইনা কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসেদ্যুরগী সেক্সন ১৯৭ - সরকারগী অয়াবা য়াউদনা ষ্টেত ওফিসিয়েলশিং ৱায়েনবা থিংলবশিং মুৎথৎলু।
- হ্যুমেন রাইতস প্রোতেক্সন এক্ট শেমদোক্তুনা নেসনেল হ্যুমেন রাইতস কমিশনবু মনিং মখা তন্না আর্মদ ফোর্সকী মেম্বরশিংনা চৎথবা মীওৎ-মীনৈগী ৱাথোক থিজিনহনলু।
- আর্মদ ফোর্সশিং, পুলিস, আসাম রাইফলসকী মীওইশিং য়াউনা মীওইবগী হক খোঙ্গাউনবা সেন্ত্রেল গবমেন্ট ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা থিজিন্দুনা চৈরাক পীয়ু।
- লৈরিবা লাম্মীগী ৱায়েল কাংলোন অসিনা হক খোঙ্গাউনবা মীওইশিং মপুং ফানা অমদি নুঙ পান নাইদনা ৱায়েল বিচার চথবা ঙমদনা লৈরিবা ফিভমসিদা, হক মৎপা আর্মদ ফোর্স অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী থাক খুদিংমক্তা লৈবা মেম্বরশিং সিবিলিয়ন কোর্ত্তা নিয়ম চুন্না ৱায়েনলু। চৈরাক পীবা মতমদা হক মৎপশিং অদুতা নত্তনা মকোক থোংবা ওফিসারশিং অদুনা চথরিবা ক্রাইমশিং অদু খংলবসু নত্রগা খংলম্বা য়াবা ফিভম ওইরবা লোয়ননা মরি লৈনবা এক্সন লৌরমদবা থোক্লবা কমান্দগী দায়িত্ব লৌরিবশিংসু চৈরাক পীগদবনি।
- সরকারগী ওফিসিয়েলশিংবু ক্রিমিনেলগী ওইবা ৱায়েল চৎথবদা ঈ-পাউ পীরকপশিং, সাক্ষি, ভিক্তিমশিংবু কিহনবা য়াউদনা ঙাক শেনগদবনি। মদুগা লোয়ননা ৱিটনেসশিংবু ঙাক শেন্নবা ফন্দ নিংথিনা কায়থোক্লবা প্রোগ্রাম পায়খৎকদবনি।
- মীফাশিংবু মীওৎ মীনৈ, মওং চাদবা ফিভমদগী কন্নবা আইন, থৌরাংশিং নিংথিনা চৎনহনলু। মদুগী মনুংদা ফারবা মীওইশিংবু পুং ২৪ গী মনুং মেজিষ্ট্রেত নত্রগা অতৈ জুদিসিয়েল অথোরিতিগী মমাংদা পুথোক্তুনা ফারিবা মওংদু আইন্না য়াৱা য়াদৱা হায়না য়েংশিলহনগদবনি।
- লাম্মী, পেরামিলিতরীগী ৱাহং চৎথফম, মীফা শঙশিংদা হ্যুমেনিতরিয়ন অমসুং হক্কীদমক লৈবা লুপশিং অথিংবা য়াউদনা চংহনলু। মণিপুরদা মীরৈবাক মচা চংবদা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকউ।
- কুম ২০০৪ গী থাংজম মনোরমা দেবী মীহাৎতা চেন্নবশিং আইন মপুং ফানা শিজিন্নদুনা ফারগা চৈরাক পীয়ু।
- হক খোঙ্গাউনবশিংগী মরমদা থিজিনদুনা করম্না তাঙ্কক য়ৌরবগে, করি খঙলবগে হায়বা মীয়ামদা লাউথোক্লবা মণিপুর ষ্টেত সরকারদা খঙহনলু।

- ⇨ মণিপুর ষ্টেত সরকারদা মণিপুর হ্যুমেন রাইতস কমিসন মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা খংহল্লু । মদুনা হক খোঙ্গাউনবগী ৱাকৎ খুদিংমক মওং চুন্না য়েংশিনবা ঙমগনি । কমিসন্না থিজিনবদা সু মোতো ইনভিষ্টিগেসন অমসুং কোর্ত্তা মী কৌখৎপা ঙম্বগী শক্তি য়াউনা অথোরিতি খুদিংমক শিজিন্নহনলু ।
- ⇨ লাম্মীগী ওপরেসন্দা য়াউরিবা ভারতকি সেক্যুরিতি ফোর্সশিংবু মালেমগী ওইনা চৎনবা হ্যুমেনিতারিয়ন আইনশিং ঙাক্না চৎহন্নবা থৌরাংঙু । ইন্দিয়ানা ১৯৭৭ প্রোতোকোল এদিসনেল তু দি জিনেভা কনভেন্সনস ১৯৪৯ ঙাক্না চৎনবা সহি তৌগদবনি ।
- ⇨ লালহৌবগী ইরাং লৈবা মফমদা তাবা পুলিস, লাম্মী, পেরামিলিতরী ফোর্সশিং ত্রেনিং পীবগী মওং শেমদোক্কদবনি । মদুগী মনুংদা মীওইবগী হকশিংগী মরি লৈনবা ৱাফমশিং, আইন্না য়াবা ৱাহং পাউহংবগী পাম্বৈশিং মদু নিংথিনা চৎনহন্নবা ত্রেনিং পীবদা য়াউহনগদবনি । মালেমগী ওইবা মীওইবগী হকশিংগী য়ু এন কোদ ওফ কন্দক্ট ওফ লো এনফোর্সমেন্ট ওফিসিয়েলসকা চুন্নবা মওংদা ত্রেনিং খুদিংমক পাংথোক্কদবনি ।
- ⇨ কনভেন্সন অগেনষ্ট তোর্চর এন্দ অদর ক্রুয়েল, ইনহ্যুমেন ওর দিগ্রেদিং ত্রিতমেন্ট ওর পনিসমেন্ট অমসুং দি ইন্তরনেসনেল কনভেন্সন ফোর দি প্রোতেক্সন ওফ ওল পর্সন্স ফ্রোম দিসএপিয়ারেন্সতা সহি তৌ ।

## মণিপুর ষ্টেত সরকারদা

- ⇨ সেক্যুরিতি ফোর্সনা মালেমগী ওইনা চৎনরিবা মীওইবগী হকশিং, হ্যুমেনিতরিয়ন আইনশিং থুগায়বা য়েংশিন্নবা মনিং মখা তম্বা, ত্রান্সপেরেন্ট ওইবা, মীচং মীখায় নাইদবা ইনক্বারি কমিসন লিংঙু । হক মৎপা মণিপুর পুলিস চৈরাক পীয়ু । ভারত সরকারদা মখোয়গী জুরিদিক্সনদা লৈবা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীনবা হায়গদবনি ।
- ⇨ হক তমথিনা খোঙ্গাউনবশিংগী মরমদা থিজিনবদগী ফংলকপশিং, থিজিনবগী মতাং কদায় য়ৌরবগে হায়বা মীয়ামদা থুনা খঙহনলু ।
- ⇨ মণিপুর হ্যুমেন রাইতস কমিসন মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং লালহৌবশিংনা হক মৎপগী থৌওং থিজিনবদা চংবা ঈ-পাউ খুদিংমক ফংহনলু । সরকারগী ওফিসিয়েল খুদিংমক্তা কমিসন্না হংবা ৱাহং পাউহংশিং নিংথিনা খুমহনগদবনি । কমিশন্না রিকমেন্দ তৌবদা য়ুমফম ওইরগা চপ চাবা থৌরাং পায়খৎলু ।
- ⇨ ভারতকি সুপ্রিম কোর্তনা য়ারবা দি কে বাসুগী গাইদ লাইনশিং নিংথিনা চৎনহন্দুনা ফারবা মীওইশিংবু ওৎ-নৈবা, মওং চাদবা থৌওংশিংদগী কন্নবা আইন, থৌরাংশিং চৎনহনলু । হেন্না ময়েক শেংনা চৎনহনগদবদি মী ফাবা মতমদা এরেষ্ট মেমো পীবা, ফারবা মীওইশিংবু পুং ২৪ গী মনুংদা মেজিষ্ট্রেত নত্রগা অতৈ জুদিসিয়েল অথোরিতিগী মমাংদা পুথোক্তুনা মী ফাবদু আইন্না য়াবা মওংলা নত্রবরা য়েংশিলহনগদবনি ।
- ⇨ পুলিসনা ফাখ্রে হায়রগা থিবা খঙদনা লৈবশিং কমদৌখ্রবগে খঙননবা থুনা এক্সন লৌগদবনি । লাম্মীগী কেম্পশিং নত্রগা ওফিসিয়েল ওইদবা মীফাশঙশিংদা থম্বা মীওইশিংগী মরমদা, শিখিবশিংগী মরমদা ইমুং মনুংদী মীশিংদা পাউ পীগদবনি ।

## খুৎলায় পায়বা লুপশিংদা

- ⇨ মীওইবগী হক্কী ওইবা আইন অমদি ইন্তরনেসনেল হ্যুমেনিতরিয়ন লো, মরুওইনা ১৯৪৯ জিনেভা কনভেন্সনশিংদা কম্মন ওইনা য়াওরিবা আর্টিকল ৩ শুবা অমদি কষ্টমরি ইন্তরনেসনেল হ্যুমেনিতারিয়ন লো চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলু ।
- ⇨ হক খোঙ্গাউনবা, লানগী মতমদা চৎনবা আইনশিং ঙাক্তবা, মীচম হাৎপা লেপ্লু । মীহাৎপা, কিহনবা, নমদুনা শেল খায়বা, লেন্দমাইন পংশিদ শিজিন্নবা, লোন্না পাউ পীবা মীনি চিংনবা নত্রগা অতোপ্পা লুপ শৌগৎপশিংদা লমন খুন্বা তোকউ ।
- ⇨ হিংনবা পান্বৈ থিনবা মণিপুরদা লাকপশিং য়াউনা মীরৈবাক্তগী চংলকপা কাংলুপকী মীওইশিং হাৎকনু ।
- ⇨ লালহৌলুপ অমনা চৎথখিবা মীওৎ-মীনৈ, অরানবশিং মীয়ামদা লাউথোকতুনা অদুগুম্বা অরানবশিং য়েংশিন্দুনা চৈরাক পীগনি হায়না খঙহনলু ।
- ⇨ লেন্দমাইন, বোম শিজিন্নবা অমসুং লাম্মীশিংদা নত্তনা মীচমশিং শোকহনবা য়াবা লান্দাশিং চৎথবা লেপ্লু ।
- ⇨ মীচম খুনাইগী লুপশিংনা লালহৌবশিংনা চৎথবা অরান-অহুই থিজিনবদা মপুংফানা ঙাক শেনবগী অয়াবা পীয়ু ।
- ⇨ অঙাংবু নমফুদা নত্রগা মশানা য়াবা ওইরবসু লালহৌবা য়াউহনবগী থৌওং খুদক্তা লেপ্লু ।

## মরি লৈনবা মীরৈবাক্কী গবমেন্টশিংদা

- ⇨ আর্মদ ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱারস) এক্ট, ১৯৫৮ মুথৎহন্নবা ভারত্তা তকশিল্লু।
- ⇨ লালহৌবগী ইরাং লোয়শিন্নবা থৌরাংদা মীওইবগী হক ঙাক্লবা ভারত সরকার অমসুং লালহৌলুপশিংদা তকশিনলু । কাংলুপ খুদিংমক্তা হক মৎপশিংবু মরাল ঙাকপীবা/চৈরাক পীদবা তোক্লবা হায়গদবনি । মদু য়াউদনা মখাতানা য়ানবা পুরকপা ঙমলোই । কাংলুপ খুদিংমক্লা মখোয় মখোয়না তৌখিবশিংগী দায়িত্ব লৌহনগদবনি, মদুগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীদনা তোকথোকপা লেপ্পুনা চৈরাক পীবনা, মুক্লবা লোয়শিনবা য়াবগী অহানবা খোংথাংনি হায়বা য়াগদবনি ।
- ⇨ ভারতকি সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওইবগী হক অমসুং মালেমগী হ্যুমেনিতরিয়ন আইনশিং খোঙ্গাউনবা মীয়াম মমাংদা নত্রগা লনাই ওইনা কন্দেম তৌগদবনি ।